> “পুন্সি অসি নীংশিং নীংশিং তেংথাদুনা লৈরবদি
> কদায়দগী হিংবা ঙমগনি।”
>
> *- এম কে বিনোদিনী (ঙাইখো, হিংমিন্নখিসি)*

লৈমন চল্লবী গুলাব

—ৱিল্লিয়ম ব্লেক

—মণিপুরীদা - শ্রীভক্ত

হে গুলাব, লৈমন চল্লেদো নহাক্তি।
শকউদবা তীল
পাইরকপদো অহিংদা,
শউম কল্লবা নোংলৈদা,

থেংনরুরেনে নঙগী ফমুংদো
মপাল নাইদ নুংঙাইরবা;
মহাক্কী মীনম্বা নুংশিবনা
লৈমন চলহল্লে নঙগী পুন্সি।

চৎলোকো ২০২০

—ডো. অকোইজম ইবোহল

ৱাকচীং উলেনবু তেমশিংনা
খোঙদোই হুল্লকখি ২০২০
লৈচিল পোমাই হাঙদোক্তুনা
তরাম্না ওকচখি মহাকপু
থোইদোক্না খন্থরুদে কনানসু
মহাক্না করি লোয়নরকপা;
ফাইরেন থাগী থাজিন্দা
খাগী লৈবাক্তা শাফোঙলকখিবা
কোরোনা কৌবা হিংচাবদো
থুংলখি ইন্দিয়া লৈবাক্তা,
মৈত্রবাক্তসু খোঙ্গুল তারকখি
লমতাগী থাশি নুমিৎতা;
শজিবুগী নোংমা পানবদা লাউথোকখিবা
লৈবাক শিনবা থুংবা ‘লোকদাউন’ না
লৱাইদা বজ্র তাবগুম তারকখি
নোংমগী ফংজবা শুরগা চাবশিংদা
লায়র ইনাকখুনবা খাক্তনা
ফাজিনখি য়ূমগী কৈশুমশঙদা
কালেন থাগী থামৈদা
বঙ্গোপ সাগরদগী হৌরকখিবা
নোংলৈ নুংশিৎ ‘অম্ফান’ না
নোংচুপ বঙ্গাল, ওদিশাদা
নুংশি হৈতনা হুমদোকপীখি
মাগী লন্বীদা লৈরম্বা পূম্বা;
নোংপোক থংবা সমুদ্র খোংবান্না
হেনখিগদৌরে হায়নবু খনবরা
নংহৌররোই হায়বগী মতাগুম
অরব সাগরগী পীবুক্লুংদগী
হৌরকখিবা নোংলৈ ‘নিসর্গ’ না
লান্দারকখি মহারাষ্ট্র, গুজরাটতা;
কালেনগী শারবা মৈশালক্তা
নোংচুপ মায়কৈদগী পাইরকখিবা
কৌজেংগী লান্মী তেঙ্গোলনা
চিকথৎখি মহৈ-মরোং পুন্নমক
চাকখাউগী লান থেংনরিবা
মীওই কোটি কোটি কয়াগী।
ওকচরে পেঞ্জরে খাজরে
কুমজা ২০২০
চৎপীখ্রো মৈগী চীং পুদুনা
লুপখ্রো মতম চূপ্পগী ওইনা
ইতিহাস মাগী ঈরোলনুংদা
লাক্লসনু য়াইফরবা কুমজা ২০২১।

মীখল

—কাংজম হেমন্ত

পাঙথোকখ্রে মরক্কী মীখলসু
হুন্নখি ঙাঙনখি অমনা অমবু
হরাউ তয়াম্নখি
এ সীগী মীয়ামসু
কাউনখি লায়না লাইচৎ
নীংশিংলুদে কনানসু চৎন-কাঙলোন
উৎলরবদা মীৎমাংদা লিশীং চৎপীনা
থম্নরবদা প্লাষ্টিক ময়োম ময়োম্না।
খনখ্রে মীয়ামগী মীহুৎসু
থাংগৎপীখ্রে ফম্বালথক্তা মখোয়বু
ওইখ্রে মখোয়দি লুচিংবা
ওইহৌরে ঐখোয়না
কোভিদ পক্লবা ভোটরশিং।

মালিকাগী শেলফু

—খাইদেম বোরসিংহ

নিংথম লৈচিল শম্বল হোগাই
ঙরাংগী হঙ্গাম, মরোই মরা
পুজরক্লি মালিকা ইমা কৈথেলদা।
লুমাং শমজিদগী পিশুম, পা
খজাই নান্থরক্লগা খদাংদ-ই
তপ তপ মণি মতুমশিংনা
চাইথরক্লি ঈংবা মরক্তা।
ওইগী ফিনা ওইনা লৌখৎ
তৈথোকচৈ মরক মরক্তা
মায়থোঙ-থা থাজ মানবীদো,
য়েৎনা থুমোক মপান্দি থাদোক্তে।
অৱা মতেক হন্দোক্ল-মালিকা
শ্বর মপূম হোন্দোক্ল-লায়রবী
চান্মা চৎপী অমনবদা - খুলামখাং
মীঙমদনা য়েংজৈ শংত্রিক মিৎকুপ্পনা।
কুন চৎপীদি চপ তিংই
ঙাইজৈ মতিক নপাকপীগী ৱাজমন,
মরি থুপ্না ফিজিদা কিশিনজৈ
সিমদি, শেলফুদা য়াওশঙগীনি খনখরে।
খুড়া ইঙো চেঙ, থুম
অরেম্বদুনা ঙারি, মোরোক
চান্মা চৎপীদু পোপ থাদৈ
হৈমা! মোহোই ’বাগী বিড়ি হায়দুদি?

মতম মতমগী

—অয়াম ইবেতোম্বী

হামেং মচানা হংই মমাদা
ইমা, দুর্গা পুজা কয়াম ৱাৎলিবগে?
ষণনাওনা হংই ষণবীদা
ইমা খৃষ্টমাস য়ৌরক্লব্রা?
লম ঙানুনা খল্লি,
বাই বাইদু নক্লমলনি।
মপি শিন্থরিবা য়েনবীনা হায়রি
ইচাশা হয়েংদি অনৌবা চহী হৌরনি।

অনৌবা চহীগী মপাউ

—শ্রীকাংজম নন্দকুমার

ঙরাংগী মনাও ঙসি
ঙসিনা হয়েংগী ময়াম্বা
খূৎশম্নুনা চৎখিবনা
লাক্নে
অনৌবা কুমজা ২০২১,
২০২০ বীদায় পীরমদুনা।
করম্না চৎখিবা
নুমিৎশিংদো করম
হৌখিবা
পুন্সি য়াচংলক্লবগী
খূৎ থেকপদা য়াওখ্রে।
অসুম অসুম হৌখিদুনা
থোরকপদা ঙাইরিবা
নোংমদোন্দা থোক্লিবা
কোরৌ মাবু উরুরগা,
অঙাং নৱা ওইরিঙৈ
পূক্নিংবু নুংওলহনখিবা
কয়াবু নীংশিংদুনা
অনৌবা চহীবু
তরাম্না ওকচরি।

চৎখ্রো ঐখোয়দৈ

—আর কে ইবুংঙোস্না

ওইরোই ঐ মায়থীরবা
লান্মী অমা।
মালেম ইমা! ঙাকপীয়ু, কনবীয়ুকো
নঙগী লৈমাইদনি, নঙগী ঈপাক্কী ঈমায়দনি
মালঙথক্তনি ঐ অমদি খোঙলোইশিংনা
লান তৌরিসে! সহরগী ময়োন্দা খ্বাই কৈথেলদা
জীব কয়া কয়াগী থৱায় কনবীয়ু।
ইমা কৈথেল ফম্বীশিংগী উহৈ-ৱাহৈ, এঞ্জাং
মনা-মশিং তগৎ-তগৎ তেকপা অয়ূকঙন্তা
সনাকৈথেলদা পুখৎলকপা ঙসিদি
ফংদরে পুন্নমক নুংশি-নুংশিখ্রবা মরুপলোয়
কয়া অমা ঙম্না কদাই চৎনখ্রবা।
মালেমগী লাইচৎসে লান লোইশিনবা
য়াদ্রেনে কমদৌনি।
লৈবাক মপু কন্না হোৎনৈ ময়াম চঙ ঈশিৎপদৌনা
পন্থুংদি য়ৌরক্লে লায়র-অনং ইনাকখুনবা-খুন্দবা
কনামতবু হন্না য়েংলমদা, মালেমগী লায়না লাইচৎ
লোইরোগবা নহাক্কী লীলা, কনবীয়ু তাইবঙ মীগী
তাইবঙ জীবশিংগী অৱাবসে ‘কোরোনা’
নহাক্কী লানসে, ঙসিদৈদি চৎখ্রো ঐখোয় নাক্তগী
মতম চূপ্পে ওইনা, অরূবা ৱাখল থম্মোয় শেংবা
নুংশিনবা অমগা অমগা থল্লল্লগা।

লমগী চেক্লা

—পুয়াম অচৌ খুমনচা

কোয়না পাইবনি ঐদি
চীংজাও অমদগী চীংজাও অমদা
পাৎ অমদগী পাৎ অমদা
খল্লুই অৱাংবা অতিয়াসিদা
ইনীং তম্না পাইবসি নুংঙাইবো।
অফংবতা চাগনি অফংবতা শেৎকনি
লাইবক্কী নোংদমখোলনি চেক্লাগী পুন্সি
কনা লৈতে নঙগী হে চেক্লা
মায়খুম উপ্পা নঙনা
করিগী ঐবু নুংশিরিবা?
ঐদি কোয়না পাইবনি
লমগী চেক্লা নতু নমান ইপোন পোন
পাৎয়াইদুদা চাক্তারিবা চেক্লা
চেক্লা নঙগী পুন্সি
করি ওইনি হায়বা ঙমব্রা?
লমগী চেক্লানি নঙদি
নমিৎ নমায় শিংঙু
নুংশিবনা নঙগী মরুপনি।

ওল্লক্লিবা মালেমসে

—ডা. নির্মলা রাজকুমারী

তেংথারিব্রা মহৌশা লাইরেন্বী
হোংলক্লিবা মালেমসে উবদা
উমংনা লৈকংলা ওনখিবদা
করি ফাওবগে পূক্নিংদা?
লৌবুক্লা সহর ওনখিবদা
তেংথারিব্রা ইমা নঙবু?
তুরেল ঈচেলনা অমুবা মচু ওল্লকপদা
করি খনবগে ৱাখলদা?
চীংনা মরূ কোক্লকপদা
চৈনা ফাওদব্রা ইমা?
চৈনা ফাওদব্রা ইমা?

তাইবঙপাল

—রাজকুমারি মীনা

ঙমখৈ লৈত্রবা
ৱাখলগী ঈপাকনি
লোইনাইদ্রবা ৱাহংনা
পুন্সিগী ঈচেলনি
ঈপাক তন্নিবা
ঙরাং ঙসি হয়েং
হংলক্লি হংলি হংখিগনি
ইশা ইথন্তা ইদোম
পূক্নিং ৱাখলনা অশাদা
থম্মোয় থৱায়না পুন্সিদা
করিগী খোঙদারক্লিবা তাইবঙনা
করিগী হিংলিবা থৱায়না
অফবা খুদিং অচুম্বরা
ফত্তবা খুদিং অরানবরা
অচিকপা মফম্না নুংঙাইবরা
নীল-খোংবা মফম্না য়াইফবরা
ঐহাক্না হংলি, ঐদি হংখিগনি
পুন্সি চূপ্পা থৱায়না হিংলিবমখৈ।

মতম মতমগী ৱাখল

শৈশকপা অমগী থৱায়না পামজখিবা

চহী খুদিংগী নীংথম থা হায়বসি লাক্লগদি ঐনা তা-জয়কুমার,ময়ামগী শৈশকপা খুন্দ্রাকপম জয়কুমার নীংশিংঙি। তা জয়কুমার নীংশিংবদা রূপ রাগ নীংশিংঙি, রূপ রাগ নীংশিংবদা রূপ রাগগী মরুপ মপাংশিং, মখোয়না শরুক য়াদুনা পাংথোকচবা দ গ্রেট টু নাইটস নীংশিংঙি। দিসেম্বরগী লোইশিল্লকপা খৃষ্টমাস মতমসি তা-জয়কুমারনা করিগুম্বা হিংদুনা ঐখোয়গী ইরক্তা লৈবীরল্লগদি দ গ্রেট টু নাইটসকীদমক অয়ুক ঙন্না হৌগৎলগা মহাক্না হেক হেক থৌজবা হিরো সাইকল অঙাংবদু তোংলগা ঈশৈ নোংমাই থৌরমগী কোইচেন চেঞ্জবদু উরমগনি। চহীগী অরী-অনৌ শিন্নবা মতমসি মীপূম খূদিংমক ঈরাং লাংনবসি মহৌশানি। তা-জয়কুমারনা লাংজবদি দ গ্রেট টু নাইটসকীদমক্নি। কনাগুম্বনা চেরিটি লৌবীদুনা শিনবীরগদি ফরে নৎত্রগদি করিগুম্বা পাম্বে অমনা চহীগী লেপ্পুনা দ গ্রেট টু নাইটস পাংথোকপা হায়বসি মহাক্কী ৱাখলদা লৈখি হায়বসি ঐনা খঙজখি। দ গ্রেট টু নাইটস চহী খরগী মমাংদগী ঈরোল্লুংদা লৈখিবগা মান্নবসি ঐনা ইথন্তা হেক হেক নুংইঙাইজখিদবা অমনি। ঈশৈ নোংমাইগী থৌরম ওইজরগসু শরুক য়াবীরিবা মরূপ মপাং ময়ামগী মায়থোংদা মকা লামজবা, মখোয়গী অনৌবা শৈদিন্নবগী নুংঙাইখিবা, মরূপ মপাং ওইবগী লোইনবগী, তীন্নবগী হরাউমীনোক পুন্নমক থৌরম অদুনা ওইখিবনি। মসিগী চেঞ্জবা চোংজবসি তা-জয়কুমরনা হেক হেক ওইবা ঐনা থেংনজখি। মহাক্কী মঙলানদি, গ্রেট টু নাইটস অসি মশক থোক্লা হেন্না চাউবা থৌরম অমা অমুক্তং করম্না পাংথোকসিগে হায়বসিনি। অপান্বসি মহাক্না হেক হেক ঐঙোন্দা ফোংদোকপীরমখি। আর্টিকল খোমজিল্লগা অখন্নবা গ্রেট টু নাইটস থৌরমদা ফোঙনবা, পিকচরাইজেসন তৌনবা মহাক্কী অপান্বা লৈখি হায়বসি ঐহাক কূপ্পা খঙজখি।

Ngabong Khao

ঈশৈনা পূন্সি ওইজখিবা মহাক্নি। ঈশৈগীদমক মহাক কৎথোকখি। মহাক্না পামজখিবসু ঈশৈনি অদুবু মফম অনীখক্তা মহাক্না ঈশৈ শকপা ফংখিদে। মসিনা মহাক্কী ফোংদোক্তবা ওমচাক্লবা অমা লৈখি। পূন্সিগী মমলসি নীংবা থুংলক্তবা মতমদা হামচৎনরকপগুম মহাক মথন্তনা লৌজখি। তা-জয় মনুং কল্লি। ৱা হায়দোক্তে, খাঙজিনগল্লি। মকন্থিনা মরল ফোইদৎপা মতৌ মহাক্কী লৈ। ঐসি কান্নদ্রবনি হায়না মথন্তনা খঞ্জরকপসি হেক তৌখি। ঐ নীংশিংলি, কালেনগী শারবা রথ কাংচিংবগী মতম অমদা মহাক নোংমা মথন্তা দুরদর্শন কেন্দ্র ইম্ফালগী মীয়ামগী মপান্দা থাবা ফমফম অমদা হিপ্পগা লৈরমখি। মহাক মশাসু নুংঙাইরমখিদে। খঙন চান্নবা মরুপ মপাংশিংনা মহাক হিপ্পগা লৈরে হায়বা তাকলকপদগী ঐনা চঙশিন্দুনা হৌদোকলুই,তা-জয় ..তা-জয়..হৌগৎলো চৎলসি।ঐনা কৌবদু তারগা মমিৎ পাঙদনা খুমলকই, *“কনানো ? করিগীনো ঐবু কৌরিবা? ঐগী য়ুম লৈজদেনে, কদায়দনো ঐগী য়ুমবো ?..”* নিরুপমা ড্রামাগী মহাক্না চিনফা পুখিবা ডাইলোগ অদুমক হিপ্না হিপ্না মিৎ পাংদনা ঐঙোন্দা হায়রকখি। মহাক ৱাখল মফাংঙি, তায়োন্নবা তরং অমদা লৈরমখি। মহাক ময়াং কংলে,মকোই ককত্রে, অরূ-অনাল পামলমদ্রে। ঐনা মশা নোংলগা হৌদোকখি। মহাক হৌগৎলকই। ঐনী হায়বা খঙলক্লবদা ঐনা হায়দুনা থেল্লগা গাড়িদা হাপ্পগা মাবু পুরকখি। তা-জয়গী য়ুমদা থিল্লুখি। উহৈ হৈনৌ অমুনবা লৈরগা মকু খোল্লগা চামিন্নখি। মহাক্না তপ্না হায়রকই, ঐগী পূন্সিগী লোইরমদাই মীকুপ অসিদা ঐগী মিংদা ঈশৈ শকপা ফংলরোইদবা মফম অনীখক- ওল ইন্দিয়া রেডিও ইম্ফাল অমদি দুরদর্শন কেন্দ্র ইম্ফালগী ওফিসশিংদা অমুক অমুক্তং চঙলল্লগা ঙাইহাক ঙাইহাক্তংদি পোত্থরমগে লাকপনি। ৱাহৈসে থম্মোয় শোক্লা ড্রামাগী ডাইলোগ অমগুম তপ্না হায়রকখি। ঐনা থেমজিনখি তা-জয় হায়হৈদে। মহাক খোঞ্জেল কনখৎলকই, শাওরংননা খুমলকই, *‘খুন্দ্রাকপম জয়কুমার হায়রগা নহাক ওল ইন্দিয়া রেডিও ইম্ফালদা ঐনা শকপা ঈশৈ তারব্রা, দুরদর্শনদা ঐগী মিংদা ঈশৈ শকপা তারব্রা ..? রূপ রাগগী ওইনা শকপদদি ঐহাক্কী খোঞ্জেল লৈরে। ইশাগী মিংদা ঈশৈ অমত্তা ঐগী পূন্সিদা, মমল য়ামখ্রবা ওল ইন্দিয়া রেডিওদা থমলম্বা ঙমদবসি ঐ মতীক চাদবা ঈশৈ শকপনি। ঐ মায়থিরবনি। ’’*ৱাহৈ অসিগুম্বসি তা-জয়না অমুক্তা হায়বা তাখিদ্রি। নুমিৎতুদা মহাক্কী পূক্নিংগী ৱারোল ময়াম অমা ঈশিং ইচাউগুম ঐঙোন্দা লীরমখি। মরক্তা থেংনরুবা ঐনা খঙফাৎতা থেমজিনজখি। মহাক্নদি য়াখিদে।

তা-জয়কুমারনা শৈশকপা অমা ওইনা মায়থিরে হায়না লৌজখিবা নুংঙাইখিদবসি - ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফাল অমদি দুরদর্শন কেন্দ্রগী শৈশকপা ওইবা ঙমখিদবসিনি হায়না মথন্তা লৌজখি। মসিনা তা-জয়কুমারগী ৱাখলনি। ময়ামগী ওইনদি মহাক অচৌবা মায় পাক্লবা শৈশকপনি। খোলহৈ-খোন্দা নুংশিবা, ঈশৈগী শৈশক চুম্না অমদি লায়না, মোমোন নোক্লগা শক্তোকপা ঙম্বা শৈশকপশিংগী মরক্তা মহাক্কী মফম অমা তোঙান্না লৈখিবা অমনি। মহাক ড্রামা লীলা হৈ অফবা এক্টর অমসুনি। মহাক্কী পূন্সিদা শাংলবা থিয়েটর অমদি ফিল্মগী ইতিহাস লোইনখি। তা-জয়কুমারগী থিয়েটরগী গুরুদি জিসি তোংব্রা অমদি ইঙুদম মঙ্গী, অরাম্বম সমরেন্দ্র ইকায়খুম্নজরিবশিং অসিনা ওইখি। তা-জয়না তৎতনা ঐঙোন্দা পনবীখিবা মহাক্কী ওঝাশিংনি। ইঙুদম মঙ্গিনা (ইমাগী নীংথেমগী পু পু শাবা) খঙহৌদনা লাইবক থীবা থৌদোক অমদগী লৈখিদবদা তা-জয়কুমার চারা হেনখি। লুশিং নান্না কোক্লগা শৈফম খুদিংদা অৱাবা ঈশৈ শকখি। মশামক্না ঈশৈ শকফমদা ইমাগী নীংথেমদা পুপু শাবা লৈখিদবগী অৱাবা ফোঙদোকপা ৱাফম মাঙদা থল্লগা ঈশৈ শকখিবা ঐখোয়না তাখি। মহাক্না নীংজবা অমা লৈখিবগীনি। মহাক্কী ৱাখল্লোন তোঙাল্লি। ঙাঙনবা ৱাবা, মহাক্না পাম্বদা থিংবা য়াদবা মীশক অমসু ওইখি হায়না ঐনা থাপতক্লা উজখি।

জি সি তোংব্রাগী ‘ঙবোংখাউ’ লীলাদা তা-জয়কুমারনা তঙাং তোমালো শাখিবা চুনখিবা ফম্বাক লীলাগী করেক্টরনি। ঙবোংখাউদা হেন্না থৱায় হাপখিবা ফজখিবদি, তা-জয়কুমার মশানা ঈশৈ মখল মখল শৈপাল্লগা হাপখিবা ঈশৈশিংনি। ঙসি ফাওবা তাবা নুংঙাইবা, মীপূম খুদিংগী চিন্দা ঙঙনরিবা ঈশৈশিংগী মরক্তা - *“থম্না খেঞ্জোংনা পোমজৈ থম্বালনা শাৎলি পুমবুম..”* মীয়াম্না কাউবা ঙমখিদে। ঈশৈ য়াম্মী লোইনমক কাউঙমদবা ঙাক্তনি। ফম্বাক লীলাদি ওইরগা ঈশৈ হাপ্পদা নুংঙাইখিবা অসি অথেংবা লীলা হায়জবা তাই ‘ঙবোংখাউসি’ অমনি। মসি চাংয়েং তৌখিবা লীলাদি নৎখিদে। জি সি তোংব্রাগী লীলা, ড্রামাদা সোসাইটি থিয়েটরগীদমক তা-জয়কুমারনা য়াওরিঙৈদা পুথোকখিবশিং অয়াম্বা ঈশৈ য়াউখি। জি সি তোংব্রাগী *“ঐবু কনাইনো ”* হায়বা ড্রামাসিগী মনুংদা ‘অশি লৈবাক্তগী হল্লকপা’ হায়বা লীলা মচা অমা য়াউরি। লীলা অসি গ্রীক লীলাদগী এদাপ্টেসন মচেৎ অমনি। লীলা অসিদা তা-জয়কুমারনা ঈশৈ অম শকখি- *“য়ুরিদিস থোরক্নো লাক্নো হল্লকও, কুমগী নোংজু ওর্ফিয়স নঙগী, কনাবু কীবগী লোৎপনো কংনা খাঙজবী থৱায়গী তুংনফম..হো য়ুরিদিস।”* ঈশৈ অসি ঙসি ফাওবা হিংলি, খুন জয়কুমারগী ‘য়ুরিদিস’ হায়না খঙনরি। ঈশৈ অসি তা-জয়গী ঈশৈ ময়ামগী মনুংদগী মাষ্টর পীছ অমনি। ঈশৈ অসিখক নৈনবদা শাংলবা ৱারী লৈগনি।

ঈশৈ অসিদগী তা-জয়গী ঈশৈগী খোঙচৎতা তোপ তোপ্পা মফম অমা কল্লকখি হায়বসি হায়দবা ঙমজরোই। তা-জয়গী ঈশৈগী মরমদা নৈনবা তারবদি মতম ঈশৈগী খোঙচৎ,ফিল্ম অমদি লীলা ড্রামা অনীগী খোঙচৎ হায়না অনীথোক্লা থল্লগা নৈনবদা মরীক খর চূমগনি। লীলা ড্রামা অসিসু মহাক মশানা কুল্লগা প্লেবেকসু ওইবনি। মসিদা হেন্না ফজবা, হকচিন্না ঈশৈগী শৈপাল্লকপদা কাচিন য়ৌরকপা অমা থেংনজৈ। সোসাইটি থিয়েটরগী ড্রামা খরা ওল ইন্দিয়া রেডিও ইম্ফালদা ঙল্লিঙৈদা পুথোকখিবসিনা মতুং তারকপদা রেডিও লীলাদা ঈশৈ য়াওবা পুথোক্লরকপগী লম্বী অমা পীরম্বনি হায়জনীংঙি। রেডিও লীলাদা তা-জয়কুমারনা কুমখিবসি ঐনা খঙজবদা মোইরাংথেম ইনাওগী লীলা মরী *‘হিংনিংদ্রে ঐ মোৎলবা সমাজ অসিদা’*, *‘অশি হৈবোং’*, *‘অমম্বা নুংথিল’* অমদি *‘মরূপ অনী’* অসিনি। অহানবা রেডিও লীলা *‘হিংনিংদ্রে ঐ মোৎলবা সমাজ অসিদা’* হায়বসিদা ঈশৈ অমা য়াওরি - *‘কদায়দনো ঐগী ইয়ুমবো, ঐগীদি য়ুম লৈজদেনে..।’* তা-জয়না করেক্টর রোল লৌবগা লোয়নননা য়াম্না ইমোস্নেল ওইনা শকখিবা ঈশৈনি। লীলাগী ৱা ঙাক্তা নত্তবদা শৈফমশিংদসু তা-জয়না পাম্না হেক হেক শকখি। ঈশৈ য়াওবা লীলাসি তা-জয় য়াম্না পান্মী। রেডিও লীলা অসিমক তা-জয়কুমারনা অসিগুম্বা মখলগী রেডিও লীলাসি ইয়ু হায়না তকশিনবদগী মোইরাংথেম ইনাওনা ইখিবনি হায়বসি তা-ইনাও মশানা তাকপীরকখি। তা ইনাওসু শৈরেংবা ওইখি। তা-ইনাওগী ঈশৈ য়াওবা অনীশুবা রেডিও লীলাদি *‘অশি-হৈবোং’* হায়বসিনি। অশি হৈবোংগী ৱারী অসিদা ব্লদ কেন্সরনা নারবা অনাবা, পূন্সি তেল্লগদবা অমগী ৱারীদা শাগৎপনি। তা-জয়কুমার ৱারী অসি পাম্না শান্নখি। ঈশৈ নুংশিনা শকখি- *‘উন্নররে উন্নরে মফমসিদা, মীওইবগী মিংদা ঙসি কয়ামসু কপমিন্নরে ...। ’’* মহাক্কী ওইনসু রেডিও লীলা অসিনা অরোয়বা কুম্বা ওইখি। মসিগী মমাংদা মোইরাংথেম তা-ইনাওনা ইবা নত্তবা মোইরাংথেম প্রিয়োব্রত্তনা ইবা রেদিওগী ঈশৈ য়াওবা লীলা “সংস্কারগী মৈরী’ কৌবা অমসু কুমলমখি।

তা-জয়কুমার মণিপুরী ফিল্ম খর তাওনা কুমখি। এক্স সিনেনা পুথোকখিবা ‘শম্বল ৱাংমা’ ফিল্মদা লিডিং রোল লৌবীখি। ফিল্ম অসি নেস্নেল এৱার্দ ফংখি। ফিল্ম অসিদা মশামক্না প্লেবেক সিঙ্গর, মিউজিক ডাইরেক্টর ওইখি। কে. ইবোল শর্ম্মনা শৈরেংবা *“অদুঙৈ শম্বল ৱাংমা ৱাংমগী ৱারী, ময়েকপু শেংনা তাবা ফংদবা..মীগী মপাউ তমগনু ঐগী নঙগী ৱারী লীয়ু ..”* ঈশৈ শকখি, মিউজিক ডিরেক্সন পীখি। ইমাগী নীংথেম ফিলম অসিদা অখন্নবা অরিবম পাবুং শ্যাম শর্ম্মনা তা-জয়কুমারদা মিউজিক ডিরেক্সন পীহনখি। ইমাগী নীংথেম ফিল্মদা প্লেবেক য়াওখিদে। থিম শোং,বেকগ্রাউন্দ মিউজিক স্কোর ওইনা তা-জয়কুমার তৌহনবীখি। ফিল্ম অসি লেমজনফম ওইরবা “গ্রান্দ প্রী” ফংখি। মণিপুরগী অহানবা ষ্টেট ফিল্ম এৱার্দতা ইমাগী নীংথেম ফিল্মগী মিউজিক ডিরেক্টর অমা ওইনা তা-জয়কুমারবু, খুন্দ্রকপম জয়কুমার বেষ্ট মিউজিক ডিরেক্সন হায়না পীবিখি। ‘শম্বল ৱাংমা’ ফিল্মদা বেষ্ট এক্টরগী মনাসু ফংখি। অঙনবা মতমগী ৩৫ এম এম ফিল্মশিং- *কোম্বিরৈ, লমজা পরশুরাম, সাফবী, ওল্লাংথাগী ৱাংমদসু, মৈচাক মৈচাক, অরোয়বা বিদাই* অসিনচিংবশিংদা ঈশৈ শকখি, প্লেবেক ওইখি। কুমশীং ১৯৮০ পরিংগী VHS formate কী ভিডিও ফিল্ম খর- *অশানা কদায়দা শান্নরম্মী, অনন্দী, য়ুরিদিস* ভিদিও ফিল্মশিংগী মিউজিক ডিরেক্সন তৌবীখি। মণিপুরী সিনেমা, ফিল্ম চাউখৎনবা হোৎনবদা থৌদাং চাউনা য়ারকখিবা মীশক্নি। মণিপুর ফিল্ম ডেভলপমেন্ট কো-ওপ সোসাইটি লিমিটেদ ওইরিঙৈদা মেনেজিং ডাইরেক্টরগী ইনচার্জ ওইনা মতম খরা থৌ পুবীরম্মী। মশামক লাই নীংথিজনা য়েকলকই। স্কেটচ আর্ট অমদি পেন্টিংসু তৌরকই। *ইমাগী নীংথেম, মতমগী মণিপুর, ওল্লাংথাগী ৱাংমদসু* নচিংবা ফিল্মশিংগী কাষ্টিং থাবগী আর্ট ৱার্ক মহাক মশানা তৌবীখি।

মতম ঈশৈগী লমদদি মহাক্কী কন্ট্রিব্যুসন য়াম্না চাউই। রূপ রাগগী অচঙবা শৈশকপনি, শৈপানবনি, শৈশেন্বনি। ঐগ্যা শ্যাম অমদি অহৈবম বুধচন্দ্রগী অচানবা ওইখি। মতম অমা মণিপুরদা কেসেটনা ঈশৈ কন্না খোংনরিঙৈদা ওডিও কেসেট কয়াগী শৈশকপা, শৈপানবা ওইখি, মশাগী সোলো কেসেট এলবম মশীং কয়া ফোংবীরমখি। তাবদা নুংঙাইবা খোঞ্জেল লোইনখিবা, ড্রামা হৈবনিনা ঙল্লিঙৈগী শৈফমশিংদা এঙ্করসু ওইনা ওইনা মশানা ঈশৈসু শকলকখি। ময়াম্না শক্নরিবা মতম ঈশৈগী মখলশিংদগী খরা শৈশক মখল তোঙান্না শকখিবসি তা-জয়কুমার অমনি। মহাক্কী ঈশৈ খরদি- *কালেন থা হায়দু ওইরক্লমাল্লে শাবনা পোত্থাফম খঙদরে..কক্কা লাইরিক ঔরাইবা তল্লে, “ ইনে মাগী মপাউ পুরকপরা তানিংবনা লাংতক্করে..” “চহী খরা য়ামজরবসু থম্মোয়দি নহা ওইজরি” “মংলম্বা নোং করিগী চুরক্লি”* অসিনচিংবা কয়া লৈরি। খর চেকশিন্না লূম্না শকখিবা ঈশৈশিংগী মরক্তা- *“নুংশিবা হুনি ঐনা হান্না খঙলল্লবা”, “হৈবোক চীংশাং মমিংতা ঙাইরে”* পনবা য়াই, অনী পুন্না শকমিন্নবা অমদি ময়াম পূন্না শকমিন্নবা ঈশৈ য়ামখ্রে মহাক্না শকখিবা।

মীওইবদি পেন্দবা য়াম্না লৈগনি, অপান্বসু কয়া লৈরমগনি। অপান্বা খূদিংমক নীংবা থুংদনা লোইখিবা মীওইবগী পূন্সিনি। তা-জয় কুমারগী মপোক থা চৎলিবা ডিসেম্বর অসিদনি। মহাক্কী পূন্সি মপূং ফাখিদে। পামজনা শকইবা ঈশৈ মহাক্কী মরুপ নৎলমদ্রে মহাক্কী থৱায়না পামজখিবসি শিবা হায়বদু ওইরমখি। মহাক্না ঈশৈ ময়াম অমা শকখিবশিংগী মনুংদা রবিন্দ্র সঙ্গীত ঈশৈ খোয়দানা শক্তুনা তাহনখি ঈশৈ অদুনা মহাকপু তপ্না নীংশিংহল্লি- *“ফমদুনা য়েংজৌ নঙগী শক্তম, য়েক্লে ঙসি বসন্ত মুচনা, শমজিরৈদা খোইহী মীহৌজনা খোইমু অমা ঙঙলরিনে, ঙঙলি চিরোন তৌনা..।”*

তা-জয়কুমারনা মহাক্কী শক্তম মথন্তা উজনবা মহাক্কী লাই য়েকপগী তুরিনা মহাক্কী কেনভসতা য়েকচখি। য়েকপা লোইরমদাইদা অমুক মখুৎনা মচু মচু তৈশিন্দুনা লোইনমক মুৎথৎচখি। লীলাগী ঈশৈ ওইনা শকখি- *‘মুৎথৎলে নঙগী শক্তম..”*। মহাক্না ইরগা পীরম্মী, *‘ঐহাক শিরগে হায়বদা য়াদ্রিবসি করীগীনো ?’ কদাইদনো ঐগী য়ূমবো, ঐগী ইয়ুম লৈজদেনে..*ঈশৈ অসিনা মহাকপু অরোয়বা ওইনা শুমখি। (মপোক থা অসিদা তা-জয়কুমারগীদমক ৱারেং অসি নীংশিংদুনা ইজখিবনি। তা-জয় নঙনা হায়খিবা ৱা য়াম্না ঐ নীংশিংলি। নঙনা শকপা ঈশৈ ঐ ঙসিসু নুংতিগী তারি।)

- মাখোনমনি মোংসাবা

রাগ দরবারী-৭৮

হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা

(হান্নগী মখা...)

নুপামচাশিংগী মপাশিংসু হরাউনা লৈরম্মী মরমদি শান্ন-খোৎনবগী থবক অদুমক ফি পীদুনা শান্নদ্রবসু য়ারম্মী। নুপামচাশিংসু শান্নরোই অমা ওইবদগী লাপথোক্না লৈরম্মী। নুপামচাশিংসু হরাউরম্মী। মখোয়না খঙই মদুদি খুৎতা চৈ অমা পায়রদুনা বোল অমগী মতুংদা গোলগী মায়কৈ তম্না অঙাওবদৌনা কোয়চেন চেনগনি, মদুগী মতম অদুদা অহাউবা তারি চফু অমা থকপা ঙমগনি, নৎত্রগা দাউ য়ারবদি শেল থানবদা লুপা ৫/১০ ফংবসু য়াই।

নুপামচাশিং অদুগী মখুৎতা ঙসিদি হোকি ষ্টিক অমসুং ক্রিকেটকী বেটনি হায়বা ফাওবা মশক খঙদবগুম পায়দুনা লৈরম্মী, থৌওং অদু মখোয়গী মখুৎতা কনাগুম্বা অমনা নোংমৈ পায়হনবগুম থোকখ্রে। চাওরাক্না নুপামচা ৫০মুক মতৌ অদুম্না কোলেজগী থোংনাউ ময়াদা চৎতুনা লৈরম্মী।

রঙ্গনাথনা মখোয়বু মতৌ অদুম্না উবদুদা হংই, “করি লৈরবগে? ঙসি ইন্সপেক্টর মফম অসিদা লাক্কদৌরিবরা?”

পিক্ত্রু শাফবনা পাউখুম পীনবা শেম শাদুনা লৈরম্মী, হায়বদি খ্বাংদগী নান্থরক্লিবা খুদৈ অদু য়েপশিন্দুনা হায়রকই, “অসিগুল্লবা মফম অসিদা কনানা য়েংশিনবা লাক্কদৌরিবনো? মসিদি চহীগী পাঙথোকপা মীফম অদুগী থৌরাং তৌরিবনি।”

পিক্ত্রুশাফবসু কোলেজ অসিগী কম্মিটিগী মেম্বর অমা ওইরম্মী। নুপামচাশিং অদুনা মহাকপু উরগা হরাউ-নুংঙাইবা ফোঙদোক্লম্মী। থোঙ মনাক হেক য়ৌবগা মহাকপু প্রিন্সিপাল সাহবনা হায়রকই, “লেংশিনবিরকউ পিক্ত্রু শাফবা, ঐ অদোমবু ঙাইদুনা লৈরল্লিবনি।”

পিক্ত্রু শাফবনা হায়, “লাক্লবনিনা করম্না হনগদৌরিবনো, মাং থানা চৎপীয়ু।” নোং চোৎলবা হুইনা তোঙানবা মওং অমদা হাকথি খল্লি। প্রিন্সিপাল সাহবনা চেপ্তুক তৌরগা নোক্লকপা অদু মতৌ অদুগুম্বনি। মহাক মাং থানা চৎলম্মি। অদুগা হায়, “রামাধিনগী কাংলুপনা য়াম্না কন্না হোৎনখ্রে। বৈজেগাউগী লালসাহবকী মতেংদগী মখোয়গী মায়কৈরোমদা মীওই কয়া চিংশিনখ্রে। লালসাহবসু অদুগুম্বা থবক অদুদা করিগীদমক য়াওশিল্লিবনো খঙদে। সিটিদা লৈরবসু করিগীদমক খুঙ্গংগী থবকশিংদা খুৎ থিংজিল্লি। রামাধিনগী ৱাখল ৱাংখৎলকই। মীওই কয়ানা সোমদা লৈরিবনো অমদি কয়া অমনা কদোমদা লৈরিবনো খঙবা ঙমদে।”

পিক্ত্রু শাফবা য়ুম অদুগী মমাংদা শাৎলিবা লৈশিং অদুগী ফজবশিংদু য়েংদুনা লৈরম্মী। তাঞ্জা অদুদা প্রিন্সিপাল সাহবনা ৱা ঙাঙবা হৌরক্লম্মী মদুদি “ করি হায়দৌরিনো খঙদে, ৱৈদ্য মহারাজসু করি-করিগুম্বা মতমদা তৌহন্নিংদবা থবক হেক-হেক তৌরকই! হৌজিক করিগী মীখল তৌবা মথৌ তারক্লিবনো...?” মতম অদুদা পিক্ত্রু শাফবগী কৃটনগী মওংদা ইবা শৈরেং অমা মমিং য়াম্না চৎলম্মী “মীয়ামগী করি মথৌ তারিবগে, ঐগী শ্রীকৃষ্ণ লৈরিঙৈদা।”

থোঙ অদুগী মনুংদা হেক চঙলকপদা প্রিন্সিপাল সাহবনা রঙ্গনাথতসু হায়, “লেংশিনবিরকউ রঙ্গনাথ বাবু, অদোমগীদমক অথিংবা করিমত্তা লৈতে।”

মহাক্না মকোক নোল্লদুনা হায় মদুদি মহাক তুংদা ফল্লগনি। অদুবু মহাক কা মনুংদা চঙলকখিদে।

তপ্না-তপ্না কোলেজগী অতৈ অতোপ্পা কম্মিটিগী মেম্বরশিংসু তোঙান-তোঙানবা মওংদা অমদি তোঙান-তোঙানবা লম্বীশিংদা লাক্লখ্রে। কোওপরেটিভ য়ুনিয়নগী দিরেক্টর অমসু খোঙনা য়াম্না থুনা লাক্লম্মী। মানা থুনা য়াঙনা লাকপগী চাং অসি মহাকপু মফম অদুদা লৈরিবা মীওইশিংনা য়েংনবগী মহুৎতা মীওইশিং অদুনা ময়া কাথোক্তুনা মখোয় মশেন ওইনা য়েংনদুনা লৈরম্মী। মিনিট খরগী মতুংদা কোলেজগী মনা-মশিং থারিবা অদুগী মরক্তা নেৎখায়দুনা ঠেকেদার সাহব অদু অতোপ্পা মায়কৈ অমদা চৎখিবা উই। মায়কৈ অদোমদা শিন্মিশিং থবক শুদুনা লৈরম্মী, মফম অদুদা লেপ্পুনা করিগুম্বা পোৎশক অমা অতিয়া পক্লা থাঙ্গতুনা লৈবাক মখাদা থাদবগী এক্টিং তৌরম্মী অদুগা ইখঙ খঙহৌদনা তুমিন্না লৈখিরম্মী। ঙাইহাক লৈরবা মতুংদা বাবু গয়াদিন তপ্না-তপ্না চৎলদুনা কোলেজগী থোঙ ফাওবা লাক্লম্মী অদুগা মনাক নক্লা লৈবা মফম অমদা ফমথখিরম্মী। মহাক্না ৱাখল শোন্থনা নুপামচাশিংগী মখুৎতা পায়রিবা ষ্টিক অমসুং বেটশিংদু য়েংলম্মী, অদুগা মহাক্না নুপামচা অমগী মখুৎতা পকশিন্দুনা লৈরিবা বোল অদুবু মহাক্কী মমিৎনা য়াম্না মুন্না য়েংদুনা ৱাখল থাদরম্মী। প্রিন্সিপাল সাহবনা থোংনাউদগী লাউরকই, “চঙবিরকউ মেম্বর সাহব, পুন্নমক শুনা লাকখ্রে।”

ৱাফম অদু পোৎ হুরাল্লুবগী মরাল লৈবদগী ফারুরবা মীওই অমবু কোর্টতা লৈরিবা ইভিদেন্সশিংগী মমাংদা পুথোরক্লবা হায়বগী মতৌগুম্বনি। খোঞ্জেল তপ্না হায়রকই, ‘হোয়, চঙলসি।’ পেঙ্গ্যুন উচেক্কুম মখোঙ ফাক্তোক্লদুনা মহাকসু তপ্না-তপ্না কোলেজগী মায়কৈ তম্না চৎলম্মী।

ঙাইহাক লৈরবা মতুংদা লম্বীদা শগোল তোংবা মীওই অমা লাকপা উরকই। মীওই অদু জোম-জোম লাউবা ফিজোল অমা য়েৎতুনা শেৎলম্মী, মহাক্কী মওং অদু ১২শুবা চহী চাগী ইতিহাসকী লৈমায় অমদগী হৌজিক-হৌজিক ফন-ফন চোংথোকরক্তুনা মপানদা থোক্লকপা মাল্লি। নুপামচাশিং অদুগী মরক্তগী অমনা হায়, “হৌজিক কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা ৱৈদ্যজিগী শম মকা অমা ফাওবা ফোইদৎপা ঙল্লরোই। ঠাকুর বলরামসিংহ য়ৌরকখ্রে।”

বলরামসিংহ হেক লাকপগা শগোলগী খুরজি অদু নুপামচা অমগী মখুৎনা পায়হল্লম্মী। মতম অদুদদি মহাক ১৮শুবা চহী চাগী মীওই অমা অমুক ওইনা উরকই। মওং অদু মখারোমদগী লানদা লৌনম তৌখিবগী পাউ পীবা কনাগুম্বা অমা শগোলদা তোংদুনা অগরা ফোর্ট মনুংদা চঙলকপা মাল্লি, মহাক্না য়াম্না থুনা-য়াঙনা কোলেজগী গেট ময়া ফাওবা চঙলক্তুনা নুপামচা অমদা হংই, “খৎন-চৈনবদি থোকখিদবা নৎত্রা?”

নুপামচা অদুনা হায়, “করিগী খৎন-চৈনবনো? ঐখোয়দি অহিংশা (ননভাইওলেন্স)বু পামজবা প্রিন্সিপালগী মায়কৈরোমদা লৈবনি, অহিংশাৱাদিনি।”

বলরামসিংহনা মহাক্কী মকোয় অদু চিংখৎলম্মী। নোকফেৎ তৌরদুনা হায়, “নখোয়সু কনাদগী ময়েং তাবা মান্দে। খুৎতা হোকি ষ্টিক অমদি চৈ পায়দুনা কোয়রিবনিনে অদুগা মহাত্মা গান্ধীগী মচা-মশুকা শারিবনিনেকো!”

-মথং-মথং

মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথৌবা

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।